**ৱারী মচা**

# মামো মন্ত্রীগী নুপী, ইনে মেম সাহেব

*– চুংখাম রনবীর–*

**মামো** বিধু, লৈকাইনা ফৈ হায়নবা, লৈকাইগী খনবা শেমগৎ শাগৎপদা থৌদাং চাওনা লৌগনবা মীতানি। অহন খঙদে, নহা খঙদে বিধু হায়বা মিংসি অমত্তা কৌনদে। ময়ামগী মামোনি। খঙদে কনানবু মঙোন্দা ভোৎ লেপ্পু হায়না ইনশিল্লুবনো, নৎত্রগা মাগী করম্বা অনিংবনো, হৌখিবা ইলেক্সন্দা লেপখি। হান্নবা লৈকাইনগা খরা য়াবনে, শেলগী শক্তিনা অদুম্মক কাখি।

ইনে থম্বাল লৌরম্বদগীসু মামো ভোৎ কাবনি হায়বমক য়াই। ইনে থম্বালগী ভোৎ খুখোম তমজবা য়াবা জাৎনি। মতমদুদা মঙোন্দগী হেন্না তোনবা লৈতবদু মঙাই। নৌথরদনা চঙলকপা মীওই খুদিং মমা–মচা মচিন– মৌপ্পাবুদি হেল্লি সেবাদা। ৱাঙাং শঙাং মাগী ঙাক্তা ওইশিল্লি। নখোয় ময়াম্না লেপ্পু হায়না লেপ্লিবনি। নখোয় লৈরি হায়না চাউথোকচরগা, নখোয়না অমদা অমদা চৎখ্রবদি মাংজরে। ইচাশা ইনাওশা, ইপ্পাশা, ইমা–ইন্দোন, ইনম্মা, ইনে অসিনচিংবা থোকউ থোকউবা চীনগী মিংগৌ। মতমদুদদি মান্দা মাল্লি লৈপাক্কী মপি মপা ওইগদবা।

মীয়াম্না খন্নে মামো ভোৎ কাখ্রবনিনা। লমদম অশোমগী শেমগৎ শাগৎপদা হান্না থৱাই য়াওজরকপনিনা শোয়দনা অচৌবা অহোংবা খরদি লাক্লগনি হায়না। অদুবু খুদিংমক মীৎতা উবদি ফংখিদ্রে।

ভোৎনা মামোনা কাই চাওবনা ইনে থম্বালনা চাওই। খঙদে মখোয় অনীগী ভোৎ কাদ্রিঙৈগী মওং মতৌদো কদাইদা মাংখ্রবনো। পূংওন ওনখ্রে, পূমহোং হোংখ্রে। মাম্মো মন্ত্রি হায়বদো ওইখিবনরা খঙদে। কেন্দ্রগী মীওইশিং ভোটতা ৱাজখিবা মশক খঙখিদ্রে। খনজিল্লুরবসু খন্দ্রবমকসু য়ারে খনলবা জাৎলা। ময়ামদো মতম খরগী মমল পীরগা শিজিন্নখিবা ওইরবাজাৎলা?

ময়ামগী মাম্মো, অদুদগী মাম্মো মন্ত্রি, অদুদগী সার, সাহেবকী মিংগৌ অমা শৎ ওনখিবগা মী অদুম উখিদ্রে। ময়ামগী ইনেসু অদু মঙাই। ইতৈবেম্মা, ইচেবেম্মা, ইনেবেম্মা, মথং–মথং মেম সাহেব য়ৌখি। ইনেনা পোংনা মাম্মো মন্ত্রি খনবা লাকপা মীওইশিংদা "নখোয় সাহেব লেঙখৎত্রি, আ ঙরাং পার্টি য়াওরুবগী, হা–টুর চৎলুবগী" হায়দুনা মাম্মো মন্ত্রিগী মগুন হেনগৎহল্লি। মখোইদৌ শাওগৎতুনা হনখিবা কয়ানি। উন্নদবা য়াদদুনা মথৌ শিংনা ঙাইবনসু কোঙ্গাইনি। মপুক্তদি খল্লি নখোয়গী মন্ত্রিসে পিবা ফমদি নত্তেদনা।

খন্না খন্না, ময়ুম মকৈ কোনুংগুম লংখ্রে। মনাইনে–মশননে নিংথৌ কোন্দু মঙাইরে। নঙ– ঐ মাগী মীখলগী শক্তি পুম্বা শিন্নখিবদগী। খোমজিনখি মশাগী শক্তি ওইনা। উহল্লি প্রজাদা নখোয়গী য়াইফনবগীদমক্লি ঐখোয়না শিল্লিবা করিদা নিংবা থুংদ্রে।

মীগী অশোয়বা য়েংদুনা মীৱা ঙাংনবা ফত্তে হায়নৈ। অদুবু করিগুম্বদদি মসিসু মথেল অমনি। হাজমনি হায়নরিবনি। মসিদা অৱা–অনা কাউজবা মীসু ৱাৎপা নত্তে।

ইনে থম্বালগী ৱারীদা লৈকাই শারা শল্লিবনি। কনাগী নহারোল মখৈনা নুমিদাং লৈপুং ৱারী ওই। মৌ– লৈশাবী মখৈসু নুংথিল হিক্কাই ৱারী ওইনা নুংঙাইনরি। ইনে থম্বালসে মেম সাহেব ওনঙৈদগী শমজি চাউনা পুনখৎখ্রে। ফীভমনে মুরতিনে তবোপ–তবোপ য়েংববু ফনা নুংঙাই। তৌথোরকপা খুদিংসু ইপক্তা পকচৈ। তৌবতবু মাগী মশাদা ৱাৎলিবা হায়ববু লাইরিক অসি খক্তনি। লাইরিক তংগা হৈরম্লবদি মালেমসে নম্বো পোদুনা পুগে হায়বা মীতানি। হান্না লৈরম্বা মওংগা পুংওন ওন্নখ্রে। মহাক্কী মশাসিদা খঙনিংবা য়েংনিংবনা হেল্লি। নহালৱাইদি য়ূমগী থবক ইনখাংবু শুবনে, অঙাংনুবীবু হোৎনবনে ঙাইহাক্তা শংজদবনি। অদুবু হৌজিক্তি মনাই–মশলনা শিনখরে। নোং হেক ঙানবদগী হাই তোম্বা, হাই চাওবা অসিতনা পুমনিল নিলখ্রে।

নোংমা কেন্দ্রগী নহারোল খরা লাক্কুনা মাম্মো মন্ত্রি উন্নরে। ক্লব অমা শঙ্গাবগী অথোইবা মীথুংলেন ওইবীনবা। মাম্মোসু শংবা মতাং থোকপরা য়াথোকখি।

ইনেনা মাম্মোদা হায়– হৌজিক্কী কেন্দ্রগী নহারোল খরা লাক্লম্বদো করিগীনো?

– মখা লৈকাইগী ক্লব অমা শঙ্গাবগীনি।

– অদুদি ঐসু চৎপদো খরা য়াওগে। ময়ামগী মীরক তীনবদো খরা–খরা পুথোকপীউ। ঐখোয় কেন্দ্রগীসু ওইবনিনা কো।

– নখোই নুপীনা কান্নবা জাৎ নত্তেদা। কন্না তকনবদগী মম্মোসু য়ারে। মখূৎ থেক্তুনা নুমিৎ পারি। খল্লি করি ইনশিগে করি শেৎসিগে। ঐগী লৈশিনলুরিবা, লেপশিনলিবা ফিরোল সনা ময়ামসি অসিগুম্বদা নৎত্রবদি কদাইদা শীজিন্নরুনি। ঐসু মন্ত্রিগী নুপীনি কৈনো।

ক্লব শঙ্গাবা নুমিৎনি। মীয়াম তিল্লি। হায়নৈ ৱা– ৱা মন্ত্রি বিধুগা ইনে থম্বালগা লাক্কনি। ভোৎ কাখিবদগী মশক উরকত্রিবা কয়াসু য়েংনিংনা ঙাইনৈ। কনানা ঘড়ী য়েংনবসু য়াওরি ইরাং হেক লাংই।

অশুক থেংঙফাও লাক্ত্রিবসিনা করিগীনো? মখোয়গী মন্ত্রিগী হৌনবী থেংনা চৎত্রবদি অচৌবা মান্দে হায়দো তৌরিজাৎলা? নুংশানগা শাগৎলকপসিদা। হায়নরিঙৈ লাংনরিঙৈ অঙৌবা মচুগী ফ্লেগ থেৎপা কার মনিং মমাঙ চীংদুনা খামলৈ। মনিং মমাঙ মনাই মশল লোয়নরকই। ময়াম ৱা–ৱা লাংনরকই।

"মন্ত্রি লাকএ–মন্ত্রি লাকএ"

দ্রাইভরনা কুমথদুনা কারগী থোঙ হাংদোকপগা কুমথরকই হেক য়েংবদা চমজখ্রবা, খাদিনা মকু ওইবা মাম্মো মন্ত্রি। মতুং ওইরপ্না লোয়নবী ইনে মেমসাহেব।

মন্ত্রিনা ময়ামদা মখূৎ লোননৈ, ইনেসু মাম্মোগী মতৌ তমদুনা ময়ামদা মখূৎ লোন্নে। অশিন–অরাংশিংনা ফমফম চানা–চানা ফমহনখি। হায়নরকই মীয়াম মরক্তগী ময়াম পুল্লবনিনা।

"থম্বালসে মন্ত্রিগী নুপী ওইরবনিনা ফনবু লেমজরে"।

কনা অমনা

"করিনোনো অসিনা তৌজ শারিসিনা, লুহোং খোংদোংবা লাকপদৌনা। করি থোকএ হায়না"।

অমনা অমুক

"লোইরেদনা বিধু নঙদি, নঙগী নুপীগী সনা–লুপা, লিক– কোল হোৎনরিঙৈদা নঙদি খাদি ফি অদুদা অদুম তারবোই"।

মীয়াম তিল্লবনিনা কনানবু মচিন মেল্লুনি। ইনে থম্বাল ভাবোক অমুক য়েং, ময়ামগী ভাসন পূক্লিং চংনা তাবা অমুক সা মতম লেল্লি। ময়াম্না খুবাক খুনরকপদা মাসু অদুম য়াওশিল্লি।

থৌরম মথং–মথং লোইশিল্লক্তুনা অচা– অথক্কী মতাং য়ৌরক্লে। ময়ামগী য়েন্ননবা পোলাং – পোলাং পুথোরক্তুনা মন্ত্রিগী মাঙওইননা থল্লবদুনা করি খল্লুরবনো খঙদে, মাম্মো মন্ত্রিগী নাকোং ময়াদা নকশিন্দুনা তপলপ্না হায়রুরি

– মোইবা করি কান্নবা অশুক য়াম্বা অচা–অথক পুরুদনা। আদা চাবীনবসু লৈতা পৎতনা মাংনবনি।

মাম্মোনা খুনিং থিন্দুনা ইঙ্গিৎ তৌদুনা ৱা মখা তাহন্দে। মাম্মো মন্ত্রি অনকপা অদুৱাইদা মী খরা লৈরম্বদো তারমগদ্রা খনবদা মমাইদো ঙাংশং ঙাংই। অরাপ্পা ভাবোক্লা অনীসি মীমাঙ থোরক্লফাও কেনবা তোক্তেদা হায়নখি। মাম্মোনা ইকাই খাংবা ওই, ক্লবকী অশিন অরাং তৌবা নহা অমা কৌশিন্দুনা হায়খি।

– নখোই ননেনা ক্লবকী মতেং ওইনা লুপা লিশিং অমতং কৎচগে হায়রিয়ে। ঐনা লিশিং অমগা হাপ্পগে লিশিং অনীসিদং ক্লবকী মতেং ওইনবা।

নহাদুনা মাইক্রফোন্দা লাওথোকখি

"ইকাইখুন্নজরবা মাম্মো মন্ত্রিগী ইনে মেমসাহেবনা লুপা লিশিং অমা ক্লবকীদমক দান তৌবীরে। মাম্মো মন্ত্রিনা লিশিং অমগা পুন্না লুপা লিশিং অনী শিন্নবীরে"।

তিল্লিবা মীয়ামগী খুবাক মখোলগা লোয়ননা, ইনে থম্বালবু থাগৎনৈ। অদুবু ঙসাই ইনেনা হায়বা তাহৌবা মখোয় খরদি খুবাক খুবগী মহুৎতা মচিন খুমদুনা নোকখি।

লৈবাক ৱা–ৱা লাংনরকই। সরকার কাইদৌরে, সরকার কাইদৌরে। ময়াম্না কন্না হায়নরক্লবদি করিনো থোকঅবা অমদি হেক্তা মতৌই। মাম্মো মন্ত্রিখোয়গী সরকারদো কাইরে। মচোয়–মচোয়, মচেৎ–মচেৎ চোংদুনা ফন্দুনা ফনা হোৎনৈ। অনৌবা সরকার অমা অমুক শেন্নবা। অদুবু কৈদৌরুনি অমগা অমগা মুক্লরিঙৈদা শৎ নারোলদগী পিঃ আরঃ না শিনখি, সরকার মুথৎখি। মফম তারবা মাম্মো মন্ত্রিগীদি থোইনবু খন্নদে। ইনে থম্বালদি মেমসাহেব হাইদোক্কনি খনবদা চাইনবা ঈশিং ফাওবা থৌরাং তৌনখি।

---

# শৈরেং

## ঙসিমক

*– ৰাজেন খুমুকচম*

চাক্লিবা লৈত্রবা লমদমসিদা
ফিনিবসু লৈতে লমদমসিদা
লুপা অনীগী মগুণনি খঙদে।

শেৎতোক চাথোরকপা খূদিং,
লাক্ষপতি ক্রোরপতি ঙাক্তনি।
মীনা মীবু উশিৎনদে
মকোক লোয়না ওইনিংই
মকোক ওইবদি হৈতে।

হাদ লুচিং পুরেলও,
নঙবু কৈদৌঙৈ লাক্কনি।
শোয়দনা খেন্নরক্কদবা মতমদুদা
লুচিং পুরেল ওইবীরগদবা
অঙম অঙম্বা শেত্তু না চারবদা
অঙম্বনা মপূ ওইহৌরগদবা।

খেন্নবা লৈত্রবা লমদমদুদা
অশিবা হায়বা লমদমদুদা
য়ৌদ্রিঙৈ, নোংমদি শোয়রোই
মপূ–মনাই, মকোক–মথং,
মতমদুদা শোয়দনা ইংগনি
থকশি–খাসি, ইথক–ইখা
ময়েক শেংনা খঙলবা মতমদুদা
মতমদো লাকহন্নিংলেদা ঙসিমক।

## কোজু কামাগী মঙ

*– কামিনিকুমার*

জপান মচানি কোজু কামা
পোকপনি কুৱাসাকি সহরদা
শুরে চহী নিফুমুক
মাঙহন্দে জপান মচাশিং মতম
লৈ থবক শুদুনতা
মী পূম্নমক মশাগী
তৌনৈ শিনফম অমমম।

শুই কন্না থবক
কাই জাতিদা লন য়াম্না
মালেমদা অহুমশুবনি জপান ইনাক খুনবদা।

মমিং চৎলি কোজু কমাগী মঙ
তানগদৌবগী মাগী মঙগী ৱারী
কোয়তান তান্নৈ জপান মচাশিং মাবু।

লাক্লে মাগী মনাক্তা মী শঙ্গু শঙ্গু
থবক শুবদা মমিং চৎলিবা জপান মচাশিং
চৎনরকই মথৌ হুন্দোক্লরগা কোজু কামাগীদা।
য়ারক্ত্রে জপান সরকার লৈবা
ইকায় ফিরুক খুম্লে মালেমগী মমাঙদা
ৱা তানরে জপান সরকার
থারসিগে কোজু কামা করি লৈবাক্তা
থারসি লেপ্পরে কোজু কামা মঙপুরদা।

লৈবাক্লি মঙপুর শাথিবা
মথৌ হুন্দোক্লরগা ৱারেম শুনবা লম
চিংথুবা লম অফবা মী থোরকপদা
লুপ্পা লম চহী চুপ্পা হরাও কুম্মৈদা
ৱায়ামদবা লম থবক শুনদবগী
থার কোজু কামা মঙপুরদা
থোকখি মানা হেক পামজবা লম।
ৱারৌখিদে কোজু কামা জপান সরকারবু
লৈথোকখি মঙপুরদা নুংঙাইনা।

## ঈশৈ

*থৌনাওজম খম্বা মৈতৈ*

খনজিল্লুদনা তানৈ ঈশৈ
হঙ্গোইবা কয়ানা থল্লবা
ৱাহৈনা থৱায় ওইরিবা।

শাফোংনরি তুক্কৎচৈ লমচৎনা
শুর পানশিল্লি তুজুংল শাজৎপু।

ঙসিগী য়াইফবী
ঐগীনা খোংলোই মতম অমগী।
অহিংগী নিঙোল,
শান্নপোৎ শান্নপোৎ,
মল্লগা হন্দোকপা।

ঐদি য়োল্লিবা লুকমাইগী
লাইধিবিনি।
তাইবঙ শেবাৎনবা
শৈরেং নৎত্রা?

## কোকথক্ত পোৎলুম পুরিবা ষণগারীৱালা

*ওইনাম কুবের*

মীৎকপ মীরাওখোন্না নীল্লি,
চিতাগী মৈরি কাখৎলি,
হাংলবা অতিয়াদা ৱাংনা
মঙ লৈবাক্কী শক্তমগুম।

ইনক নকপা লমদমদনা
নোক–খেরি নিংঙাইদনা,
হরাও পুঙখোল য়ৈদুনা
ঈশৈ হৌনা শক্তুনা ।

মায়কৈ অমরোমদনা তারি
অতৎ–অখম লৈতনা
নোংমৈ কাপ্পগী মখোল,
মীয়ামগী হৌরবা খোল্লাও।

য়েংলি কাঙবু অমনা,
কুম্মৈগুম করিসু নাচুংদনা,
মখোয়গী শরুক য়াওদবগুম,
নখোয়গী মথৌ নত্তবগুম।

হরাওবুং ওইরম্বা মফম
ঙাইহাক পুঙ্গোইগী মমাঙদা,
মোংফম ওইরি মথং–মীৎকুপ্তা,
পূন্সি লানফম থকসিদা।

কনাগী পাম্ন শাগৎচবা
তুংগী আশাগী মঙলান,
মীৎকুপ্তা নিংখায়দুনা মাঙলি,
তাইবঙসু ওইরি মঙলান।

## পোৎয়ান

*– জয়কুমার তখেল্লম্বম*

সনা লৈবাক মণিপুরনি।
চীংমী ময়াম্বগী পোৎয়োম
তম্মী মনাওগী পোৎয়োম।
চীংগী মনা মশিং
লফু, পান, মাইরোল,
হৈপান মনা, ফৈজা পুল্লৈনচিংবা।
অযুক য়েন্দা অঙনবা
হোই, হোই, লাও
চীংশাং পরেংদা পোৎয়োম পু।
কুমথনরি, কাখৎনরি।
হিংমিন্নবগী লান কোভিদ–১৯দগী
শেৎন খায়না চামিন্নরি।
নুংশিদ্রবা য়েলহৌমী, নুংশি।
সনা মহী লাইনিংথৌ, ওইদা
ফম্বাললিবী অপাম্বী ইমা।
চোথে খুল্লাকপগী মমোমনি।
অঙোম সলাইনা চীংমী ওন,
পুতিন পুয়াদা ইরি।
কবুইনা হাওবম
মৈতৈনা মরিং ওন,
চেকখোং সেতু তিংশাদা য়াওরি।
খৃষ্টকী কুম ৪১১–৪২৮,
মৈদিংউ নাউখোম্বা, মতম
পীবা খাবশিং তাম্বুল ওন,
তাম্বুল লৈরুম ফি
তাবুনুংদা মণিগুম ঙাল্লি
ঙসিসু।
দোলাইথক্তা হন্না য়েং
মপাম লমদম থাদোক্লমদাই।
লৈরুম ফিয়োমনা লাইরোল ওই।
নুংশিদ্রবা নুংশি চৎখিবদু।
নিঙোল ওইবীশিংগী পূন্সি
চীং–তম কায়বা য়ারোই।
পীকত্কনবা চীংলৈপাকনি
চীংনা কোয়না পানশাবা
চীংমীনা ঙাকপা লমনুংশি।

## প্রজা

*– মাইস্নাম বীযেশ্বর*

লৈবাক মীয়াম অৱাবা মতমদা
ভারত সরকারদগী তেংবাঙ ফংই
ঈকং থোকএ তেংবাঙ মরাকই
ঈচাউ থোকএ তেংবাঙ মরাকই
তেংবাঙ প্রজাশিং খাঙতপ্লা মতোকইব্রা
ৱারিবা প্রজাদি শোয়দনা খঙফম থোকই
তেংবাঙ ফংই–ফংদে হায়বসে
লৈঙাকইবশিং মখল মথেলনি
ইচুম চুম্না শীন–লাংঙিব্রা।
চুমদনা লৈথোকপসু য়াওরিব্রা
খুঙ্গংগী শিন্মীশিংনা শাক্তিনি
ৱারিবদা মতেং পীবিবা ঈশ্বরগা পাঙখকনি
মসি পূম্বসে কাউথোকপসু লৈবা জাৎলা
তেংবাঙ ফংবনা খুনমীশিংনা হরাউজবা
ফংজহৌদববনা লায়র–চুদৎননা লৈহৌবা
অদুম মশানা তাকচরবনি
অশিন–অরাংশিংনা লৌমী ফীভম খঙবীয়ু
অৱাবশিংদা মতেং পীবিয়ু।
লৈঙাকপশিংবু হন্না হন্না থাগৎচগে।
মীচঙ শঙ্গা থাদোকপীয়ু প্রজাগীদমক।

---

# তাবুনুংদগী

*মহাকবি অঙাংহলগী "খম্বা থোইবী শৈরেং"দা লমদম অসিগী য়েলহৌঙৈগী মশান্নাশিংগী মমি ময়েক শেংনা তারি। ঙসিগী মীরোলনা পাক হেক উগে হায়বদা ফঙদনবা লমদম অসিগী ওইবা মশান্নশিং লাইরিক অসিগী মতাংচাবা মফমদা শৈথারি। মচেম খম্লুনা কাংজৈ শান্নবা চৎকনু থিংলম্বা মচেমগী য়াথং হিক্তোক্তু না কাংজৈবুংদা কাংজৈ য়েংবা চৎপদা মপাবুং চিংখুবগী খুন্থক পানা পূক্লিং থৌগৎপা লাক্লিবা থোইবীগী থৌইনশিনদগী খম্বা কাংজৈ শান্নবা ফঙজখি। ৱারী মতাং অসিদা খম্বা নোংবাল অনীনা শান্নখিবা মুক্লা কাংজৈ শৈথাবা মতাং অদু ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

কোরৌ থক্তা কাংদ্রুমদু হন্তে হায়না হুনগৎখ্রে।
তারকইবা কাংদ্রুমদু নোংয়াই নোংবান য়েংনখি।
কাংদ্রুম অদু নোংবানগী কোক্তোন তম্না তারকই।
ফংগদৌবা নোংবান্না শা অমা ৱাৎলিঙৈদা,
খম্বা মখোঙ য়েংনা থিল' খুদুপ তরেৎ চোংখৎলি...।
উরেখম্বা নোংবান্দো, খংলদুনা শাজৌনা,
য়ুরেঞ্জমগী চেপচিংদো নীংশিংলক্লে শাজৌতোন!
নোংবান অদু অমুক্তং নোংয়াই চেপচিং চিংলকপা,
থোইবী মমাঙদা উপ্রাকননা শিৎলরে।...
"কুমজা তরেৎ নোংবান্নি মনম লৈপাক তাদবা!
ঙসি তুরেন শোয়রেদো, খঙদবগী মখূত্তা।"
কেগে মোইরাং লৈবাক্লা পূম্নিন ওইনা নিনখরে।
নোংয়াই কাংদ্রুম পুখরে। নোংবান হৌগৎলক্তু না
তান্নরকপা শাবদি ফঙখিদরে নোংবানদো।
খুমন মানা পাঞ্জন্দু লায়না অদুম চনখরে।।

---

## মণিপুরী পাম্থৈ–পাউরৌ, পাউতাক

* **খূৎনা ঙমদ্রগা চীন্না হোৎনবা**
  – পাঙ্গলনা ঙমদ্রগা ৱাঙাং শাঙাং লৌশিংনা হোৎনবা।
* **খূৎ য়েৎনা তৌবা থবক, খূৎ ওইনা থাজদবা।**
  –অমনা অমবু থাজবা ঙমদবা।
* **খূয়া তুশিৎনা পানবা।**
  – নুংঙাই য়াইফবনা ৱাত্ত পাদনা হিংবা।
* **খূৎ থোক্লরবদি ৱা থোকই।**
  – খৎনরবদি শাওনরবদি ৱা শাংথরকই, তাইশিন্নবা য়াদবা পাম্বৈ লাকই।

***খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

---

## চানক্য নিতি

– নিয়ম চুমদনা তাল্লুবা লনদি চহী ১০ ফাওবদং লৈ। তরামাথোই শুবা চহীদদি হান্নগী লৈরম্বগা য়াওনা লোয়না মাঙখিগনি।
– মতীক চাবা মীনা তৌথোরকপদি মমিং চৎনবা মরম ওই, মতীক চাদবনা তৌবা থবক্লা নিন্দা তৌনিঙাই ওই। অমৃত থকউবগীদমক রাহুবু মঙক ককখি, হূয়োৎপগীদমক মহাদেববু নীলকণ্ঠ কৌনৈ।
– ব্রাহ্মণ পীজরবগী তুংদা চারিবদু অশেংবা চীঞ্জাকনি, অতোপ্পদা নুংশিবা ঙম্বদো অশেংবা নুংশিবনি, পাপ তৌদবদু অশেংবা জ্ঞানীনি, নাপল য়াওদনা তৌরিবদু ধর্মনি।
– করিগুম্বা তাঞ্জাদা মনিনা খূয়াদা লীক্লীনা কোক্তা লৈতেংবসু য়াই। লৈবা য়োনবগী মতাং লাক্লবদি মনিনা মনি, লীক্লীনা লীক্লীগী মমলদা অদুম লাকই।
– লোইনাইদবা শাস্ত্রনি, য়ামখ্রবা বিদ্যানি, মতমনা খজিক্তনি, অয়েৎপনা ময়ামনি। কাঙঙনা শঙ্গোম ঈশিং খাইদোক্লা লৌবগুম মচি ওইবা, খঙগদববু খঙগনি।
– অরাপ্পদগী য়ূমদা লাকপা অতিথিবু পীজদনা মানা চারিবদু মীদু শোক্ল–শম্ন য়াদবা চান্দালনি।
– বেদ মর পারবা, ধর্ম শাস্ত্র ময়াম নৈনরবসু মশাবু (আত্মবু) খঙদ্রবদি, মীদু খাবৈনা লোইনা ওৎলবসু মহাওদি খঙদবগুম্বনি।
– ব্রাহ্মণ মওং ওইবা অঙকপা হি ফংলবা মহাক অদু লাইবক ফরবনি। হিনুংদা চঙজরবদি (তাইবঙ) ঈপাক লানবনি, মপান্দা ফমজিল্লবদি ঈরাক্লবনি।
– নুমিৎকী ময়ূম চঙলুবদা থানা মঙাল মাঙখি অমসুং নুমিৎকী মতূং ইল্লি মতৌ অদুগুম্না মগুণ ফনা লৈদুনসু মীগীদা শাইদাংদুনা লেনবা মীগী মগুণসু মাঙই।
– অচৌবা খোইমুনা থম্বালগী থোৎলবা লৈকাদা তোংলগা লৈহি পেন্না থকই, অদুবু য়েক্লবা কাঙলূপ ওইবা কুতজগুম্বা লৈদা ৱাংনা পাইখত্তুনা তোংলুবদদি লৈহিসু খজিক্ত ফংই অদুগা তিংখংনা ময়াম থিল্লি।
– (ভগবান বিষ্ণুনা মাগী লোয়নবী (লক্ষ্মী) দা করিগীদমক ব্রাহ্মণদা শাউবনো অদুগা মখোয়গী য়ূমদা নহাক্লা করিগী লৈতবনো হায়না হংবদা লক্ষ্মীনা খুমখি) "হে প্রভূ! ইপা (সমুদ্র) বু (অগস্তঋষিনা) শাউদুনা থক্তোকখি, (ভৃগুনা) ইবুংঙোদা খোঙনা কাওখি, ব্রাহ্মণশিংনা মতোমতা চাউথোকচৈ, ঐগী য়েক্লবা সরস্বতীবু পূজা তৌই, ঐগী য়ূম ওইবা থম্বালবু নুতিগী থদৎলি ( হেকই), মখোয়না ভগবান শিববু পূজা তৌই। মরম অসিনা প্রভূ, ঐনা মখোয়গী য়ূম্বু থাদোকই।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

---

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

৭৭। খূৎনা পায়রগা চিন্না হায়রগা মমাই চুম্বা করিনো?

৭৮। খোইমু খরা পাইরকই, লৈরাং খরসু শাৎলি। লৈ অমমমদা খোইমু অমমম তোংবদা খোইমু অমা লেম্মী। লৈ অমমদা খোইমু অনী অনী তোংলগা লৈরাং অমা লেম্মী, খোইমু মশীং কয়া কয়ানো?

৭৯। খোঙউপ জুরা অনী নুপা অহুম্না তিন্নরগা লৈ। থা অমগী মনুংদা নুমিৎ ২০ /২০ তোংনসি হায়নৈ। করম্না তোংনগনি?

৮০। হাখোং–লাইখোং–মরোংখোং হায়বসি করিনো?

***মমাঙ নোংমাইজিং (০৩–০৫–২০২০) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

৬৮) কবোকং মপাল, ৬৯) নুংশিৎ খাইবা, ৭০) শুম্বন্দা ফৌ শুবদা খোঙনা খোমজিন তাশিনবা, ৭১) খোঙ হামদোকপা, ৭২) হৈবী অখুইবা, ৭৩) চোংগাং, ৭৪) মোংবা (উরিৎ), ৭৫) শবি, ৭৬) ইঞ্জিক্ত ঙংলগা ইলেক্ট্রিক বল্ব ঙানবা।

---

## নোক্লিং ৱারী পীকশ্রু

## মপুগীদমক

*পার্টি অমা য়াওরুরগা ওফিসারদুনা ময়ূম য়ৌরকপদদি লৈকাইগী মী লোয়না তুম্নখিদুনা খোঞ্জেল অমফাও তাদ্রে। গেটতু হাংনবা ফনা কুইনা থিঞ্জরবসু তূমথনখিবা তাঞ্জা থোকখিদুনা তানদ্রবরা করিনো কনামত্তনা থোঙ হাংদোকপীরক্ত্রে। কৌই তাদা, থীল্লি তাদা তৌরবদুদা পার্টি মফমদা হাঞ্জিল্লকখিবা ইনর্জি পেক্তু লৈরাং ওইনা শাত্তোরক্তুনা থোঙদুদা ধোন থীনবগুম থীল্লবদা মাগী থবক শুনবা থম্বা মীনাই, চাউনুনা উচিন নাচিন্না থোঙদু হাংদি হাংদোরক্লে।*

*ওফিসারদুনা নিশাগী এসেলেরেটরদু ফুলদা নেৎশিল্লগা হায়রকই, "ঐনা ঙসাইদগী থীল্লক্লিবসি ননাদো তাদ্রো, হা?"*

*চাউনুনা ইতপ তপ্না মমিৎ ফাক্লি ফাক্লি খুল্লকই, "তাদুনবু হাংদোরক্লিবসিনি সাহেব।"*

*শাওরিবদু ইহন হন্দা থোঙদুদা অমুক দঙ দঙ থীল্লগা ওফিসারদুনা মখা তারকই, "ঐনা ঙসাইদগী গেট থিল্লক্লিত্রবসি পূং অমবু হেল্লম্রনি?"*

*চাউনুনা মমিৎ নোইরম্বদগী হকাম লাউনা চল্লদুনা হায়রকই, "সাহেব, সাহেবনা সাহেবকী থোঙদা থীল্লিবদু পূং অমত্তা নত্তে, নুমিৎ চুপ্পা থীনবদা কনামত্তনা করিসু হায়রক্লোই। হায়রকপ্রনে?"*

*ওফিসারদু, মানা শাওরিবদুগা মনাইদুনা হায়দোরক্লিদুগা পূমওন ওন্নবদুদা হায়ফম খঙদনা পূমঙক ঙক্লা য়েংলিঙৈ, চাউনুনা শাওগত্তু না মথৌনা ফূদোক, মরেংদু ফন, নোংশাগুম্না ঙংলগা হায়রকই, "সাহেবকী থোঙদা থীল্লিদু অতোপ্পনককা থীনবা ওইরন্নবদি ঙসাইনা মমু শংলনি। ঐ চাউনুনিনে সাহেব।"*

*–নবকুমার নোংমৈকাপ্পম*